# ট্রিণামুল কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নোমিনেসন কেন্সেল তৌনবা ই সী আইদা তকশিনখ্রে





**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী)ঃ** ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নোমিনেসন কেন্সেল তৌবিনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্ডিয়াদা ৱাকৎখ্রে।

এপ্রিল ২৩দা লোক সভা মীখলগী ফল হেক লাউথোকপগা ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম এল এ ৪০ বি জে পিদা য়াওরক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়োক্তা ৱাকৎ অমা ইলেক্সন কম্মিসনদা থাঙ্গৎখিবনি।

ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোইসু ওইরিবা দেরেক ওব্রেননা হায়খি করম্বা ৱাফমদা য়ুম্ফ ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টরনা ট্রিনামুল কোংগ্রেসক এম এল এ ৪০ বি জে পিদা য়াওরক্লগনি হায়রিবনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি।

সেরামপুরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা ভোটরশিংগী ৱাখল হোংহন্নবা হোৎনরে। লোনা য়াদবা মওংদা চথখিবা বি জে পিগী ইলেক্সন কেম্পেইন পুম্নমক থিংজিনবা মথৌ তাই। ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টনা য়াদবা মওংদা লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা মীয়াম মাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবদু পুম্নমক্কী ওইনা লাইবক থিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসনদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চে অমদা ট্রিনামুল কোংগ্রেসনা হায়, করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতিক চাবা খুদম চাংদম পীবা ঙমদ্রবদি অরানবা ৱা ঙাংলগা ভোট খোম্নবা হোৎনবগী মরালদা মীরেপ চে পীশিনবা য়াহল্লোইদবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সেরামপুরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবনি মদুদি মে ২৩দা মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা থম্বাল শাৎপা উরগনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী লৈঙাক শৌগৎলিবা এম এল এ ৪০ বি জে পিদা য়াওনবগী মতাংদা পাউ ফাউরকপা হৌরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিগা মরী লৈননা সমাজ ৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা হায়খি মদুদি লৈবাক্কী লুচিংবা অমনা মরম চাদবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা ভোট খোন্থগী থৌওং চথখিবদু ইকাইনিংঙাইনি। মতুং তারকপদা প্রাইম মিনিষ্টরবু অমুক হন্না ভোট খোন্থগী থবক তৌহন্দনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

পনবায়াবাদি, এপ্রিল ১১দগী হৌরগা মে ১৯ ফাওবদা তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোক্লিবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিবগী থবক মে ২৩দা পাঙথোক্লগনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনদি তাঙ্কক তরেৎ মক্তা ষ্টেট অসিগী মীখল পাঙথোক্কদৌরি।

হুগ্লি দিষ্ট্রিক্টকী সেরামপুরদা পাঙথোকখিবা মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবনি মদুদি লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্লবা মতুংদা ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়ামরুম পার্টি থাদোক্তুনা চেন্থোরক্লগনি। হৌজিক ফাওবদা এম এল এ ৪০না বি জে পিদা য়াওগে হায়না পাউপীরক্লে।

# কুমজা ১৯৮৪গী এন্টি সিখ রাইয়টকী কেসতা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই ৯ কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখ্রে






**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী)ঃ** কুমজা ১৯৮৪দা থোকখিবা এন্টি সিখ রাইয়টকা মরী লৈননা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই ৯ সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইষ্ট দিল্লিগী ত্রিলোক পুরি এরিয়াদা কাংলুপ মশেল খুৎ থোক্লহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি হায়বগী মরালদা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই ৯ মতিক চাবা খুদম চাংদম ফংদে হায়বগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখিবনি।

মমাঙ চহীগী নভেম্বরদা দিল্লিগী হায় কোর্টনা মীওই ৯ অদু মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মীওইশিং অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা অপিল পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। কোর্টনা মরাল লৈতেহায়না লাউকখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা গনসেননা, বেদ প্রকাস, তরা চান্দ, সুরেন্দ্র সিংহ (কল্যান পুরি), হবিব, রাম সিরোমনি, ব্রহম সিংহ, সুবর সিংহ অমসুং সুরেন্দ্র মুর্তিয়াওরি।

হন্দক্তা এন্টি সিখ রাইয়টতা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়বা কোংগ্রেসকী লুচিংবা সাজন কুমার বেল পীবগী ৱাফম সি বি আইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। সিখ ফুরুপকী মীওইশিং হাৎখি হায়বগী মরালদা সাজন কুমারবু দিল্লি হায় কোর্টনা দিসেম্বর ১৭তা শীবগী চৈরাকপীনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

ৱায়েল অসিগী মায়োক্তা মহাক্না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা বেল পিবিনবা হায়জখি। অদুবু সি বি আইগী মায়কৈদা লেপখিবা সোলিসিটর জেনরেল টুসার মেহতানা হায়খি কুমজা ১৯৮৪গী রাইয়টকা মরী লৈননা অতোপ্পা কেস অমগী ট্রাইয়ল চথগদবা লৈবনা সাজন কুমারবু বেল পীবা মরম চাদে।

সাজন কুমারনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরগা এন্টি সিখ রাইয়ট থোকহনখিবনি হায়না মরাল শীরদুনা মেহতানা হায়খি মরাল লৈজদবা সিখ ফুরুপকী মীওই কয়া হাৎখিবগী মতাংদা ৱায়েল চথরিবা মীওই অমবু বেল পীবা চুমদে। কুমজা ১৯৮৪গী নভেম্বর ১ অমসুং ২দা সাজন কুমারনা লুচিংবা কাংবু অমনা দিল্লি কেন্টনমেন্টকী রাজ নগর পার্টি-১দা সিখ ৫ হাৎখিবগা লোয়ননা রাজ নগর পার্টি-২দা গুরুদ্বারা অমা মৈ থাখি।

কুমজা ১৯৮৪গী ওক্টোবর ৩১দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধিবু মশামক্কী বোদিগার্দ ওইনা লৈবা সিখ মচা অনীনা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম এন্টি সিখ রাইয়ট থোকখিবনি।

বেল পীবিনবগী ৱাফম হায়জরদুনা সাজন কুমারগী উকিলশিংনা কোর্টতা হায়খি হৌখিবা থা ৩ হেন্না জেলদা থম্লকখ্রবা সাজন কুমারবু বেল পিবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। মতৌ অসুম্না সাজন কুমারগী উকিলনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা কোর্টনা হায়খি হায়কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না পীরকখিবা ৱায়েল অমবু তরাই তরাইনা লৌবা চুমদে। প্রোজিক্যুসনগী ৱিথনেস কয়া ষ্টেটমেন লৌবগা লোয়ননা অচুম্বা ৱায়েল চথনবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা করিগুম্বা সাজন কুমারনা বেল পীখিবা থোক্লবদি এন্টি সিখ রাইয়টকী অচুম্বা ৱাফম ফংদবা য়াই।

# জম্মু অমসুং কাস্মিরগী কার ব্লাষ্টতা চেন্নবা টেরিষ্টর তরুক ফাগৎখিবদা পি ঐচ দি স্কোল্লর অমা য়াওরে





**স্রিনগর, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী)ঃ** হৌখিবা থাদা জম্মুদগী স্রিনগর ফাওনা চৎপা হাৱেদা কার মনুংদা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক্তা চেন্নবা টেরিষ্ট ৬ ফাগৎখিবদা পি ঐচ দি স্কোলর অমা য়াওখ্রে। থৌদোক অদু মমাঙ থাগী ৩১দা বনিহলদা থোকখিবনি। জাইস-ঈ-মহমদ অমসুং হিজ বুল মুজাহিদ্দিন টেররিষ্ট লুপ অনীনা পুন্না চথখিবা এটেকনি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাস্মির ইন্সপেক্টর জেনরেল ওপ পুলিস এম কে সিনহা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা সি আর পি এফকী কনভোই অমা চৎলিঙৈদা কনভোই অদুনা জৱাহর টর্নেল য়ৌরমদাইদা কা হেন্না মপাঙ্গল য়াওদবা বোম অদু হুন্দাই-সেন্ত্রো কার অমগী মনুংদা পোকাখায়হনখিবনি হায়রি।

ফেব্রুৱারি ১৪দা জাইস-ঈ-মহমদনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা সুসাইদ বোম্বর এটেক অদুগা মান্নখিবা মওংনি হায়না সিক্যুরিটিগী ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

মায় পাকহৌদ্রবা কার এটেক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অদু জমাট-ঈ-ইস্লামিগী ষ্টুদেন ৱিংগী এক্টিভ মেম্বর অমা ওইরিবা হিরাল অহমদ মনতু য়াওরি। লোয়ননা অপুনবা এটেক অদু পাকিস্তানগী টেররিষ্ট মুনা বিহারি কৌবা অমগী মীৎয়েং মখাদা চথখিবনি হায়না জম্মু এন্দ কাস্মির আই জি পি এম কে সিনহনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা ফারবা মঙা অদুদা ৱাসিম, উমর শাফি, অকিপ সাহ অমসুং ওৱাইস অমিননি। ওৱাইস অমিন মশাকম বি বি এগী মহৈরোই অমনি। মখোয়শিং অদু সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্ট, সাহিদ ৱানিদগীনি।

# ফোরেন সিটিজন্সিপকী মতাংদা লাকখিবা কমপ্লেন্টগী মতুং সেন্টরনা রাহুল গান্ধিদা নোটিস পীখ্রে




**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী)ঃ** লৈবাক অসিগী লোক সভাগী মীখল তঙ্খাই চনশিল্লক্লবা তাঙ্কক অসিদা লৈঙাক্লা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমদি মীখল অসিগী মীরেপসু ওইরিবা রাহুল গান্ধিদা মহাক বৃটিষ্ট সিটিজন অমনি হায়না কমপ্লেন্ট লাকখিবা অদুগী মতাংদা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়খ্রে।

কমপ্লেন্ট অসি বি জে পিগী এম পি সুব্রমনিয়ন স্বমীনা তৌরকখিবনি। মহাক্না রাহুল গান্ধিগী বৃটিষ্ট সিটিজননি হায়বগী ৱাফম অসি মতম শাংনা য়েৎতুনা লাকখিবনি। মসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা রাহুল গান্ধিদা মহাক্কী সিটিজন ওইবগী অচুম্বা পাউখুম অমা পীরক্নবা খঙহনখিবনি।

ইন্দিয়ানা মীরৈবাক্কী সিটিজন অমনা লৈবাক অসিগী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াদে হায়রি। হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না তাঙ্ক তরেৎ থোক্লা ভোট থাদনগদবা ইন্দিয়াগী লোক সভা মীখলদা রাহুল গান্ধি উত্তর প্রদেশকী অমেথি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং কেরলাগী ৱেরানন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মীরেপ ওইগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা রাহুল গান্ধিগী মচননুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি বদ্রনা ফোঙদোরকখিবদা রাহুল গান্ধি ইন্দিয়াদা পোকখিবনি। মহাক ইন্দিয়াগী সিটিজননি হায়না পাউমীশিংদা থমখি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী সিটিজনসিপকী দিরেক্টর ইন চার্জ ওইরিবা বি সি জোসিনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু সুব্রমনিয়ন স্বামীগী মায়কৈদগী থমখিবা কমপ্লেন অদুনা মরু ওইহল্লপনি হায়খি।

স্বমীগী দোক্যুমেন্ট অদুদা রাহুল গান্ধি বৃটেনদা লৈবা বেকওপস কম্পেনিগা মরী লৈনবনি হায়রি। দেক্যুমেন্ট অদুগী ৱারোলশিংগী মনুংদা বেকওপস কম্পেনিনা মখোয়গী চহী অমগী রিপোর্ট পীখৎলকপদা রাহুল গান্ধি মশামক্না কম্পেনি অদুগী রেকোর্দ তৌখিবা তাঙ্কক অমদা বৃটিস সিটিজননি হায়না ফাইল তৌবা অদুদা য়াওখিবনি।

বেকওপস লিমিটেদ কম্পেনি অসি কুমজা ২০০৩দা রেজিষ্টর তৌখিবনি। লোয়ননা কমুজা ২০০৯দা কম্পেনি অদু থুপচিনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ন স্বমীনা রাহুল গান্ধি সিটিজনসিপকী মতাংদা কুমজা ২০১৫তগী হৌরগা মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা মহাক্কী অশেংবা অমা হংদুনা লাকখিবনি। রাহুল গান্ধিনা মহাক্কী পাউখুমদা বি জে পিগী লুচিংবশিং অদুবু অরুবা মায়োল অমনা পুরক্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা কন্না হোৎনরি।

# সেন্টরনা সাইক্লোন ফোনিনা শোকহল্লবা ষ্টেট ৪দা এদভান্স ফন্দ ওইনা ক্রোর ১০৮৬ থাদোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী)ঃ** সেন্টরনা সাইক্লোন ফোনিনা শোকহল্লবা অমসুং মখা তানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগীদমক ষ্টেট ৪দা এদভান্স ফন্দ ওইনা লুপা ক্রোর ১০৮৬কী শেনফম কায়থোকখ্রে।

নেসনল ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিতি (এন সি এম সি), মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সনা সাইক্লোন অসিনা শোকহল্লবা ষ্টেট ৪দা লৈরিবা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স (এস দি আর এফ) ফন্দ লুপা ক্রোর ১০৮৬ অদু কায়থখিবনি হায়না ওফিসল ওইবা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্টরনা সেঙ্কসন তৌখ্রবা শেনফমশিং অদুগী মনুংদা ওরিষানা লুপা ক্রোর ৩৪০.৮৭, টামিলনাদুদা লুপা ক্রোর ৩০৯.৩৭, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লুপা ক্রোর ২৩৫.৫০ অদুগা অন্ধ্র প্রদেশতা লুপা ক্রোর ২০০.২৫কী শেলগী মতেং মাংজৌননা ফঙহল্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়ন মেটিয়োরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা অহেনবা সাইক্লোনিক ষ্ট্রোম লাকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরক্লি। লোয়ননা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা উরিষাগী সমুদ্র খোঙবাল কয়াদা শোকহনবা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না ফোঙদোরিক্লি।

আই এম দিগী মখাদা লৈরিবা সাইক্লোন ৱার্নিং দিভিজননা ফোঙদোরকখিবদা সাইক্লোন ফোনিনা উরিষাগী পুরি, অন্ধ্র প্রদেশকী ভিসাখাপটনমগী মফম খরা অমসুং শ্রিলঙ্কাগী ট্রিকোমালিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা সাইক্লোন ফোনিনা মখা তানা অপনবা পীরকপা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।

নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং ইন্দিয়ন কোষ্টগার্দপু মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ঙামীশিং অদুবুসু সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎতনবা ৱার্নিং পীখি।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু পুংদা কিলোমিটর ৮০দগী ৯০ ফাওবা শীৎলি। মসিনা কনখৎলবা মতুং পুংদা কিলোমিটর ১০০ ফাওবা য়ৌরকপা য়াই হায়রি।

# রাফেল দিলগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা পিটিসন রিভ্যু তৌনবা নোটিস পীখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী)ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি লৈঙাক্তা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৪দা রাফেল দিলগী মতাংদা পীখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা পিটিসনশিং অদু রিভ্যু তৌগদবনি হায়না নোটিস থোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ৱায়েলশঙ অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হিয়রিং তৌননবা মতম লেপখ্রে।

লৈঙাক্কী এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা সুপ্রিম কোর্টকী নোটিস অদু চয়োল ৪ পীবিনবা হায়রকখি। অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়না পীখিবা নোটিস অদুগী পাউখুম থাজং নুমিৎ ফাওবা পীরক্কদবনি লোয়ননা মে থাগী ৬ নিংথৌকাবা নুমিৎতা হিয়রিং পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়খি।

পনবা য়াই, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈঙাক্কী মহুৎ শিল্লদুনা এদভোকেট আর বালাসুব্রমনিয়ননা ফোঙদোকখিবদা য়স্বন সিংহ, অরুন সোরি, প্রসান্ত বুসন, এ এ পিগী লুচিংবা সঞ্জয় সিংহ অমসুং এদভোকেট ভিনিট ধনদানা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুগী মেরিট খঙদোক্লবা হোৎনবদা মতম হেন্না চঙগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০১৮কী দিসেম্বর ১৪দা সুপ্রিম কোর্টনা রফেল জেল দিলগী মতাংদা পীখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ৱারেপ অদু রিভ্যু তৌনবা পিটিসন ফাইল তৌরকপনি।

লিক ওইখিবা দোক্যুমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পিটিসনশিং অদু থাগৎলকপনি। লৈঙাক্লা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু সুপ্রিম কোর্টনা থা অসিগী ১০দা পিটিসনশিং অদুবু অয়াবা পীখি। নীংশিংবা য়াবদি লৈঙাক অমসুং ওপোজিসননা রাফেল জেটফাইটর ৩৬ লৈবগী মতাংদা য়েৎনবা কয়া লৈরিবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL**
*Ref:- Mut. Case No. 462/SDC/NBL of 2019*
1) Khondram Bino Devi W/o Laishram Babumacha Singh of Kha-Sanjenbam Makha Leikai. 2) Kshetrimayum Jiban Singh S/o Kwaklei Singh of -do- - Petitioners
-Vs-
(L) Kshetrimayum Kwaklei Singh S/o (L) Kumar Singh of Sanjenbam - O.P.

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
30/4/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Village No. 12 - Leimapokpam Patta No. 181 (Old), 217 (New), Dag No. 2092, 2095 and 2418 Areas 0·58, 0·66 and 0·86 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দংকারি নং (১) (২) মখোয় অনীগী মমিংদা লৌফমশিং অসি চপ মান্নবা শরুক্তা মখোয়গী মীংদা লৌফমশিং নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/6163/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SALAM (I/W)**
*Ref:- Mut. Case No. 179/2019*
Chanambam Ibobi Singh S/o (L) Ch. Amu Singh of Sagolband Moirang Leirak Nepra Menjor Leikai. - Petitioner
-Vs-
Late Khumanthem (N) Chanambam (O) Ibemni Devi W/o Ibobi Singh of Sagolband Moirang Mayum Leirak. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
The 29th April, 2019

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার খুমন্থেম (নিং) চনম্বম (ওং) ইবেমনি দেবী, পতি ইবোবী সিংহ, সাং শগোলবন্দ মোইরাংময়ুম লৈরক্কী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৭-অৱাং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ২১১, দাগ নং ৩৬৮ অমসুং এরিয়া ০·৭৬০০০ চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/3844/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Salam (I/W)*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SALAM (I/W)**
*Ref:- Mut. Case No.180/2019*
Chanambam Tarunibala Devi D/o Ch. Ibobi Singh of Sagolband Moirang Leirak Nepra Menjor Leikai. - Petitioner
-Vs-
Late Khumanthem (N) Ibemni Devi D/o Golap Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
The 29th April, 2019

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার খুমন্থেম নিংঙোল ইবেমনি দেবী, পীং গোলাপ সিংহ, সাং শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৭-অৱাং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ১১৫, দাগ নং ৩৭২, এরিয়া ১·০৭০০০ একর চাউবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/3844/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Salam (I/W)*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SALAM (I/W)**
*Ref:- Mut. Case No. 178/2019*
Chanambam Ibobi Singh S/o (L) Ch. Amu Singh of Sagolband Moirang Leirak Nepra Menjor Leikai. - Petitioner
-Vs-
Late Khumanthem (N) Ibemni Devi (Minor) D/o Golap Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
The 29th April, 2019

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার খুমন্থেম (নিং) ইবেমনি দেবী নবালিকা, পীং গোলাপ সিংহ, সাং শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জর লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৬-সলাম কৈখুগী অনৌবা পাট্টা নং ৮৬, দাগ নং ১১৪২ অমসুং এরিয়া ০·৬৭০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/3844/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Salam (I/W)*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SALAM (I/W)**
*Ref:- Mut. Case No. 177/2019*
Chanambam Tejmani Singh S/o Ch. Ibobi Singh of Sagolband Moirang Leirak Nepra Menjor Leikai. - Petitioner
-Vs-
Late Khumanthem (N) Ibemni Devi D/o Gulap Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai. ...O.P. Party

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
The 29th April, 2019

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃ: পাট্টাদার খুমন্থেম (নিং) ইবেমনি দেবী, পীং গুলাপ সিংহ, সাং শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জর লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৭৬-সলাম কৈখুগী অনৌবা পাট্টা নং ২৮৮/৩৫৬, দাগ নং ১১৩৮ অমসুং এরিয়া ০·৭৯০০০ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/3844/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Salam (I/W)*

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL**
*Ref:- Mut. Case No. 466/SDC/NBL of 2019*
Naorem Ibema Devi W/o (L) N. Tomba Singh of Naorem Mayai Leikai - Petitioner
-Vrs-
(L) Naorem Tomba Singh S/o (L) N. Koireng Singh of Naorem - O.P.

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
30/4/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Village No. 23 - Maibam Patta No. 164 (Old), 349/1621 (New), Dag No. 313/3029, Area 0·62 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/6163/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**
*Ref:- Mut. Case No. 112, 113, 114/SDC/IW/LC of 2019*
1. Thoudam Dasumati Devi, W/o. Late Mangol Singh of Kakwa Nameirakpam Leikai, Thongju Part - II
2. Thoudam Shyamsunder Singh, S/o. (L) Mangol Singh of -do-
3. Thoudam Sanayaima, S/o. (L) -do- of -do-
4. Thoudam Romio Singh, S/o. (L) -do of -do-
-Vrs-
Late, Thoudam Mangol Singh, S/o. (L) Gandhar Singh of Kakwa Nameirakpam Leikai, Thongju Part - II

ꯈꯪꯍꯅꯕ/NOTICE
Lilong Chajing, the 29th April, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৯৮-চজিংগী (১) অনৌবা পাট্টা নং ৮৪/৮৭৬ দাগ নং ১১৪৪/২০০৩ এরিয়া ০.৩৮০০০ একর ফৌরেল (২) অনৌবা পাট্টা নং ৯২ দাগ নং ১১৫৬ এরিয়া ০.৫২০০০ একর (অঙনফৌ), খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকায়গী (৩) অরিবা পাট্টা নং ১৫৪ অনৌবা পাট্টা নং ৬৯ দাগ নং ২৪৫ এরিয়া ০.১৮৫০০ একর (ফৌরেল) হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার থৌদাম মঙ্গোল সিংহ পীং মৃ: গন্ধার সিংহ সাং ককৱা নামৈরাকপম লৈকায়, থোংজু পার্ট টু অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা লৌফমশিং অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিসনরশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফমশিং অসিগী মরীদা আপতি তৌনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা "নোটিশ" অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

HL-P/4177/1 *Sd/- Sub-Deputy Collector,* Lilong Chajing, Imphal West